# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা থাঙজম বীরচন্দ্র মাইপাকপী নীংশিং ব্রিন্নরস কপকী ব্রিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীল্লগা বাবিনা হেল্থ কিয়র এন্দ হোসপিটালিটি প্রাইভেদ লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা মমাঙ থা ১৮ দগী টিম ৯ না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চথরকপা থাঙজম বিরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ব্রিন্নরস কপ ফোর মেন ২০১৯গী ব্রিন্নর মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ( এম পি এস সি)না ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭ শুবা অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি ক্ষেত্রি ইরিলমপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সি ) ক্ষেত্রিগাও অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ( এম পি এস সি)না শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সিনা কে আই ৱাই সিবু কিক ফোম পেনাল্টি মাত্তা গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা ব্রিন্নর ওইখিবনি।

ঙসিগী শান্নখিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ( এম পি এস সি) অমদি ক্ষেত্রি ইরিলমপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সি ) ক্ষেত্রিগাও টিম অনী অসি লাক্কদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২০–২১ গীদমক ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিগী হৌরকপদা নহা ওইরিবা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওগী শান্নরোইশিংনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নরক্তুনা এম পি এস সিগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক কয়া চখদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইদা কে আই ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৭ সাবির অলিনা গোল চনবা য়াবা তাঙল্লবা তাঞ্জা অমা ফঙখি। অদুবু মহাক্কী গোল এটেম অদু বার মথক্তা চৎখিদুনা অরেম্বা তাখি। কে আই ৱাই সিগী ওফেন্সিপ প্লেয়র কে ঐচ সিতলজিৎ মৈতৈ অমসুং কে এলেকজেন্দরনা এম পি এস সিগী কিপ্পরবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখিবনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এম পি এস সিগী এক্সপ্রিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফতা লৈখিবা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেন্সিলক্তুনা শান্নবা হৌরকখিবনা মপাল কাঙজৈবুংদা তিনখিবা কে আই ৱাই সিগী ভাবোকশিংদা চরান্নবা পোকহনখি।

এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ২০ ফিমাটেনা বোক্স মপালদগী শাফু কন্না নেকী য়েৎথংবা কাচিন দা কাওশিনলকখিবা বোল অদু কে আই ৱাই সিগী গোল কিপ্পরনা নাচুংবা লৈতনা ঙাকথোকখিবনা অরেম্বা তাখি।

মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইশিংগী খোঙথাং অনীরক্তা কে আই ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৯ এন জি জেনিসকী গোল এটেমশিং অদু এম পি এস সিগী গোল কিপ্পর জোসেপ বানলানা মশা চোংথোক্তুনা অঙকপা মওং দা ঙাকথোকখিবনা গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা লৈখি।

কে আই ৱাই সিগী কোচ এম দেবেননা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা সাবির অলিগী মহুৎতা কে ঐচ রোহেন থাজিনলক্তুনা শান্নবা হৌরকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা এম পি এস সিগী বেঞ্জামিননা লুচিংবা দিফেন্স লাইন অপনা অরোয়বা মীকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপখিবনা ফাইনেল মেটচ অসিগী ব্রিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোর্ম পেনাল্টি মাক কাওন্নবা তাখি।

পেনাল্টি কাওন্নবদা এম পি এস সিগী কিক্কর মরি ( জর্সি নম্বর ৯ কান্ত, জর্সি নম্বর ৩ গান্তে, জর্সি নম্বর ৭ দয়ানন্দা অমদি জর্সি নম্বর ১০ গোলমৈনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমখি। অদুগা কে আই ৱাই সিগী কিক্কর মরি কাওবদা কিক্কর ২ খক ( জর্সি নম্বর ২০ কে এলেকজেন্দর অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ মুসা খান)না গোলদা ওন্থোকখি অদুগা কে আই ৱাই সিগী কিক্কর ৩ শুবদা কাওখিবা জর্সি নম্বর ৪ এল অমিট অমসুং জর্সি নম্বর ১২ ইমদাদ খানগী পেনাল্টিশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদবনা মেটচ অসি মায়থিবা নঙখিবনি।

মেটচ অসিদা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওগী জর্সি নম্বর ৫ কে ঐচ চিঙ্খো অমসুং জর্সি নম্বর ২ ৱাই জেমসতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে ঐচ রঞ্জিৎ, থাও জোনি চোথে, তকা টেমসু অমদি মাইকেল দুলনা মথং শিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ব্রিন্নর ওইখ্রবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ( এম পি এস সি) দা লুপা লিশিং ৫০ গা লোয়ননা ৱিন্নিং ট্রোফি অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা ক্ষেত্রি ইরিলমপাল য়ুঠ ক্লব ( কে আই ৱাই সি) ক্ষেত্রিগাওদা লুপা লিশিং ৩০ গা লোয়ননা রন্নস ট্রোফি ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটর টি ঐচ অরুন সিংহ, ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এল লোকেন্দ্র সিংহ, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সি ঐচ ইবোতোম্বী সিংহ, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি থাঙজাসোম, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে য়াইমা সিংহ, এসোসিয়েসন অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা এম রতনকুমার সিংহনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর ও অমদি প্রসিদেন্য ওইনা শরুক য়াখি।

# অক্স জিম ককচিংগী হাওবিজম মিনকেতননা জুনিয়র ওভর ওল মিষ্টর মণিপুর ২০১৯গী টাইতল লৌখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা মল্টিপ্রপস ইন্দোর হোলদা নুপা অমসুং নুপী বোডি বিল্ডরস ১৫৮না কাঙলূপ ৭ তা শরুক য়াদুনা ৫৮ শুবা মিষ্টর মণিপুর কন্টেস ২০১৯ পাঙথোকখ্রে।

মিষ্টর মণিপুর কন্টেস ২০১৯ অসিগী জুনিয়র কাঙলূপ্তা অক্স জিম ককচিংগী হাওবিজম মিনকেতন (কেজি ৭০)না ওভর ওল টাইতল লৌখ্রে। অনীশুবা মফমনা আইরন জিম ককচিংগী ক্ষেত্রিময়ুম নিরজ সিংহ (কেজি ৭৫)না অমসুং অহুমশুবা মফমনা রোয়েল জিম নাওরেমথোংগী মেলসন নোংমৈকাপম (কেজি ৭৫ মথক)না লৌখ্রে। কাঙলূপ অসিগী বেষ্ট পোজরগী মনাসু রোয়েল জিম নাওরেমথোংগী মেলসন নোংমৈকাপম (কেজি ৭৫ মথক)না লৌখি।

জুনিয়র কাঙলূপকী কেজি ৫৫ তা য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী হিজম তেলহৈবনা অহানবা, সুপর জিম খুরাইগী য়ুম্নাম সুশিলকুমারনা অনীশুবা অমসুং লক্ষী জিম ৱাঙ্খেগী নাওরেম নিখিলনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৬০ গী কাঙলূপ্তা রোয়েল জিম নাওরেমথোংগী নামৈরাকপম নরেসনা অহানবা, সাইয়োন জিম ময়াং ইম্ফালগী পোৎশঙবম নিখিলনা অনীশুবা অমসুং লাইফ ষ্টাইল ফিটনেস জিম সঙাইপ্রৌগী রাজকুমার সুনিলনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৬৫ কী কাঙলূপ্তা সুবোল ফিটনেস জিম ওইনামগী কোঙগ্রাইলাকপম বিদিয়ামনি শর্ম্মানা অহানবা, য়ুনাইটেদ জিম মণিপুরগী এম ডি সহাবাসনা অনীশুবা অমসুং লক্ষী জিম ৱাঙ্খেগী সকিবুর য়ুঙ্খাইবমনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৭০ গী কাঙলূপ্তা অক্স জিম ককচিংগী হাওবিজম মিনকেতননা অহানবা, লক্ষী জিম ৱাঙ্খেগী কৈথেললাকপম মলেমঙানবানা অনীশুবা অমসুং জিম অসিগী শাজাওবা নোংমৈকাপমনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৭৫গী কাঙলূপ্তা আইরন জিম ককচিংগী ক্ষেত্রিময়ুম নিরজনা অহানবা, কে এফ সি কিয়ামগৈগী সোইবম অনন্দনা অনীশুবা অমসুং শলাই বোডি স্কপচরগী শরুংবম মলেমঙানবানা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৭৫ মথক্কী কাঙলূপ্তা রোয়েল জিম নাওরেমথোংগী মেলসন নোংমৈকাপমনা অহানবা, এম এম জিম হৈঙাংগী থোকচোম গিটচন্দ্র অমদি শলাই বোডি স্কপচরগী মৈস্নাম রোনাল্ডোনা অহুমশুবা তাখি।

মাষ্টরগী চহী ৪০ দগী ৫০ ফাওবগী কাঙলূপ্তা দি জিম রিবোনগী শৈট্যয়া কুমার থোঙামনা অহানবা, এস বি বি এফ জিম ক্বাকৈথেলগী কাঙজম দিনেসচন্দ্রনা অনীশুবা অমসুং শলাই বোডি স্কপচরগী খাইদেম ৱাশিংতননা অহুমশুবা তাখি।

মাষ্টরগী চহী ৫০ দগী ৬০ ফাওবগী কাঙলূপ্তা কে বি বি জিম খাবৈশোইগী মটিবুর রাহমনা অহানবা, এন টি জিম লংথবালগী মোইরাংথেম রঞ্জিৎনা অনীশুবা অমসুং লাইফ ষ্টাইল জিম শঙাইপ্রৌগী নামৈরাকপম ওজিৎনা অহুমশুবা তাখি।

ৱুমেন স্পোর্টস ফিজিক্স ওপনগী কাঙলূপ্তা রোয়েল জিমনাজিয়ম উখ্রুলগী সোলিমলা জাজোনা অহানবা, বিক বাইসেপ ফিটনেস সেন্টর শিংজমৈগী ওইনাম মেমিচানা অনীশুবা অমসুং সুপর জিম খুরাইগী শানসম সোফিয়ানা অহুমশুবা তাখি।

ৱুমেন বোডি বিল্ডিং ওপনগী কাঙলূপ্তা কে বি বি জিম তেরাগী ইমুদম কবিতা চনুনা অহানবা, এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী থাংজম লৈমা চনুনা অনীশুবা অমসুং রোয়েল ফিটনেস একাদেমি থৌবালগী ঙাখেম জমুনানা অহুমশুবা তাখি।

## সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা ১৭ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি নম্সা খা–ইম্ফাল অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোননা নম্সাবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখিবনি।

নম্সানা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ২৬.৫ তা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১১৭ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা সাইক্লোননা ওভর ১৯.৪ দা ৱিকেট ১ তুরগা রন ১১৮ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৯ দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ সাইক্লোনগী রন ৫৫ লৌখিবা থোইথোইনা তাখি।

হয়েং দি এস য়ু অমদি ওস্কারনা শান্নগনি।

## সোনালি চনুনা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ নেপালগী কদমন্দুদা থা অসিগী ১ দগী ১০ ফাওবা চথগদবা ১৩ শুবা সাউঠ এসিয়ান গেমস ২০১৯গী সাইক্লিং মশান্নদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা মণিপুরদগী ময়াংলাঙবম সোনালি চনুনা নুপীগী ৭৪ কে এম মার্স ষ্টাতকী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ময়াংলাঙবম সোনালি চনু ককচিং ৱাইরি খুলাকপম লৈকাই তেক্কি পরেংদগী ময়াংলাঙবম মনিহার মৈতৈ অমসুং ময়াংলাঙবম ওঙবী মন্দা লৈমা অনীগী মচানুপীনি। সোনালি চনু হৌজিক হৌজিক রেলৱেদা থবক তৌরিবী অমনি।

# ষ্টেট টাইকুন্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০ হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর টাইকুন্দো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা য়ুনিট–১৭ দগী লাকপা নুপামচা ২৫৪ অমদি নুপীমচা ১১৭ পুন্না শান্নরোই ৩৭১না শরুক য়াদুনা ৩২ শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইকুন্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০ শান্নবা হৌখ্রে।



হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিলেসটিব এসেমব্লিগী দিপুটি স্পিকর কোঙখাম রোবিন্দ্রা সিংহ, য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এম এল এ থোকচোম শ্যটাবত্র সিংহ অমদি ওল মণিপুর টাইকুন্দো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট বোবি ৱাইখোমনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেস্নেল প্লেয়র নোংদারেন খাবা অমদি সাপম নেন্সিনা ওট টেক্কিং লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা সব–জুনিয়র বোইজ কেজি ৪৪ মখাগীদা নিখলনা অহানবা, তোম্বানা অনীশুবা অদুগা চিঙলৈনসনা অমসুং মৈপাকনা অহুমশুবা তাখি।

কেদেট বোইজকী কেজি ৩৩ মখাগীদা পৃথ্রিবীরাজনা অহানবা, সুরচন্দ্রনা অনীশুবা অদুগা লিওকান্ত অমদি চিঙ্খোঙানবনা অহুমশুবা তাখি।

সব–জুনিয়র বোইজ কেজি ১৮ মখাগীদা পুন্সিবনা অহানবা, গুনন্দনা অনীশুবা অমসুং লুহেনবনা অহুমশুবা তাখি।

কেদেট গালর্স কেজি ৩৭ মখাগীদা সানিয়ানা অহানবা, রিজিয়ানা অনীশুবা অদুগা রুস্পা অমদি সহানিনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৪৪ গীদা মন্দানা অহানবা, মার্টিনানা অনীশুবা অদুগা সিনি অমদি দোলিনা অহুমশুবা তাখি।

সেনিয়র গলসকী কেজি ৪৬ মখাগীদা জিনানা অহানবা, প্রিয়ানা অনীশুবা অদুগা লিয়ানমৈ অমদি মেরিনানা অহুমশুবা তাখি।

সেনিয়র বোইজকী কেজি ৪৪ মখাগীদা জেমসবোন্দনা অহানবা, নাওবোইনা অনীশুবা অদুগা অজামিন অমদি খাওমৈনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজ কেজি ৭৩ মখাদা টি মঙলেম্বনা অহানবা, নৱাস সরিনা অনীশুবা অমসুং বিবেকনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র গালর্সকী কেজি ৪৬ মখাগীদা সাপম নেন্সিনা অহানবা, বিদিয়ালক্ষ্মীনা অনীশুবা অমসুং টুতুনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৬৩ মখাগীদা থোইথোইনা অহানবা অমদি লমঙানবীনা অনীশুবা তাখি।

## আই সি এস এ অমদি ই এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ডাইরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা পুন্না শীন্দুনা মমাঙ থা ১৬ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখিবা অন্দর–১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন'স ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি মপাল কাঙজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা আই সি এস এ ইরেংবন অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খে মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা আই সি এস এ ইরেংবননা এল সি চুড়চান্দপুরবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা আই সি এস এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এল সিলিয়ানা গোল ৩, জর্সি নম্বর ৭ ও ববিতানা গোল ২ অমদি জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ রোজিদানা গোল ১ চনখি। এল সিগী গোল অদুনা বেবি চিঙাইনা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা লীগকী ১২ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ই এস য়ু ৱাঙ্খোনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। ই এস য়ুগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ কে অঞ্জু অমদি জর্সি নম্বর ৯ চোনময়ানা চনখি।

## গোপালদেব কাঙখূৎনা ব্রিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা গোপাল দেব কাঙশঙদা চথরকপা ৫ শুবা শ্রী শ্রী গোপাল দেব চহী ৬০ মথক্কী সুপর লীগ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ব্রিন্নর গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলনা ওইখ্রে।

ফাইনেলদা গোপাল দেবনা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎপু পাঞ্জল ৩৪–১০ দা মায়থিবা পীখি। গোপাল দেবনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ২০ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৪ স্কোর তৌখি।

## এস এফ সি শোরা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ ৱান্টেদ বোইজ শঙ্গাই য়ুম্ফম পুলৈপোকপীনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা পুলৈপোকপী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদিন ট্রোফি ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এফ সি শোরা অমদি এস এম এস এফ সি শঙ্গাইয়ুম্ফমমায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–এগী এস এফ সি শোরা অমদি টাজকিরা এফ সি শঙ্গাইয়ুম্ফমনা শান্নখিবা মেটচতা এস এফ সিনা টাজকিরা এফ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এফ সি শোরাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ অরিফ খাননা মিনিট ৫ অমসুং জসি নম্বর ১০ অলিমনা মিনিট ৭ অমসুং ৮ দা চনখি।

৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–সিগী এল এম এফ সি লিলোং অমদি এস এম এস এফ সি শঙ্গাইয়ুম্ফমনা শান্নখিবা মেটচতা এস এম এফ সিনা এল এম এস সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এম এস এফ সিগী গোলশিং অদু জসি নম্বর ১০ ইফ্রান অমসুং জর্সি নম্বর ১০ ইমরাননা চনখি।

## জিমকি ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ১৫ দগী ১৮ ফাওবা অরনগাবাদতা পাঙথোকখিবা দাইমন কপ ২০১৯দা আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা ক্ষেত্রিময়ুম জিমকি ঙসি শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা ক্ষেত্রিময়ুম জিমকিনা মেন ফিজিক্সকী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল লৌরকখিবনি। থৌরম অদুদা সেরাম নিকেলনা ক্ষেত্রিময়ুম জিমকিদা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল পোৎ পীদুনা মহাক্কী মতুং তারকপা কম্পিটিসনশিংদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com